**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-05-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৬-০৫-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) নাগাগী মীওই তরুক ফাজিনখিবা অদুগী মরী মখোঙ খংনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথুরি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টতগী লালহৌলুপ অহুমগী কাদর অহুম ফারে।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অসিদা পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিং নিংথিনা ফংহন্নবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী লৈলোন ভাইফৈদগী নাগাগী মীওই তরুক ফাজিনখিবা অদুগী মরী মখোঙ খংনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথুরি।

মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুর

পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা পি.মোলদিং অমসুং লৈলোন ভাইফৈ ফাওনবা লম্বীদগী মীওইশিং অদু ফাবদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই মরি ফারে। ফারবা মীওইশিং অদু কাংপোকপী জিলাদা খূৎলাই পায়রগা চখোক চৎশিন তৌবা ভিলেজ ভোলুন্তিয়রশিংনি হায়রি। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা আইননা য়াদবা মওংদা খূৎশু খূৎলাই পুথোক পুশিন তৌবদা হকথেংননা চেন্নে হায়রি। মখোয়গী মথক্তা ব্রাহং পাউহং তৌবগী থবক চখ্খরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চখ্খরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী পুলিস স্তেসনননা কোনবা শৈজাং অৱাং লৈকাইদগী লালহৌলুপ অমগী মীওই অমা ফাখি। জিলা অসিমক্কী হৈঙাং পুলিস স্তেসননা কোনবা খাবৈশোই শাবল লৈকাইদগী লালহৌবা অমসু মশাগী ময়ুমদগী ফাখি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা ফংলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পাংগৈ নেপালি বষ্টিদগী লালহৌবা অমসু ফাগৎখি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অনি ফংবা ঙম্লে।

ইম্ফালগী ত্রেজরি ওফিসতগী গারি মচা হুরানবা মীওই অমা মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক কৈশাম লৈকাইদগী ফারে।

নহাশিংদা পুলিসকী থবক থৌরমশিং নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা ‘নো য়োর পুলিস স্তেসন’ হায়বা থৌরম অমা ইরিলবুং পুলিস স্তেসনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, ইরিলবুং হাইস্কুল অমদি পায়োনিয়র একাদেমিগী ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ থন্না য়াওরবা গারি ৩৭২ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুথোরকখ্রে। লম্বী অসিদা অশোই অঙাম থোক্তনা গারি চখোক চৎশিন য়াহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা থবক লৌখৎলি। চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী

কনভোই মতিক চানা থম্লে হায়রি।

**কেম্প (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড গ্লাকোমা চয়োল পালনগা মরী লৈননা ঙরাং লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা শামুরৌ পি.ঐচ.সিদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইননেস এন্দ ভিজ্যএল ইম্পিয়রমেন্টগী মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীৎ অমসুং মীৎতা কেতরেক লৈব্রা খংদোকপগী স্ক্রিনিং তৌখি অমসুং অনোকনচিংবসু লেমা য়েন্থোকখি। মসিগী মথক্তা লৌগনদবা লায়নাশিং লৈব্রা খংদোকবা স্ক্রিনিংনচিংবসু পাঙথোকখি।

**ভাগিদারি (এল)ঃ** নোনে জিলাদা চয়োল অমা চুপা চথরকপা জন ভাগিদারি কেম্পেইন ঙরাং লোইশিনখ্রে। ‘সবসে দুর, সবসে পেহলে’ হায়বা হীরমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা কেম্পেইন অসি জিলা অসিদা চথরকপনি। কেম্পেইন অসিগী মনুংদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখিবা থৌরমশিং অদুগী মনুংদা হেলথ কেম্প, উ থাবা, ওরিয়েন্তেসন দ্রাইভ অমদি ভারত সরকারনা পীরিবা মীয়ামগী স্কিমশিংগী মতাংদা প্রোগ্রামনচিংবা পাঙথোকখি। জিলা অসিগী ব্লোক মরি- লোংমাই, হাউচোং, নুংবা অমদি খৌপুমগী দাজগুৱা ভিলেজ ২৭তা পাঙথোকখিবা কেম্পেইন অদুদা খুঞ্জাশিংগী ৱাকৎ তাখি। লোইশিনবগী থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুরিতি কম্মিসনর ভিদিয়ামরি শ্রীধার্দ শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাদসু ঙরাং কেম্পেইন অসি লোইশিনখ্রে। জনজাতিয়া গৌরব উৎসব ২০২৬ কী মখাদা চথরকপা- সরকারগী লৈরিবা স্কিমশিং মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগী কেম্পেইন লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনর হেমন্ট কুমারনা হায়- চয়োল অমা চুপা চথরকপা কেম্পেইন

অসিগী মনুং চন্না জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা ভিলেজ ৭১ দা কেম্প ৯ পাঙথোকখি। দাজগুৰা স্কিমগী মখাদা চান্দেল জিলাগী ওইনা ভিলেজ ৯১ লৈ। অদুমকপু, হৌজিক হৌজিক ভিলেজ ২০ দি মী লৈনদবা ওইবনা লেমহৌরিবা ভিলেজ ৭১ অসিদা কেম্পেইন অসি পাঙথোকখিবনি। মহাকা হায়-কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না অধার এনরোলমেন্ট দ্রাইভ, বাইওমেত্রিক অপদেটনচিংবা চথুখি। মসিদসু নত্তনা মীয়ামদা হেলথ কার্দ, রেসন কার্দ অমদি অতৈ য়াইফ থৌরাংগী লৈরিবা স্কিমশিংগী মতাংদা কান্নবা ফংহন্নবগী থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎখি।

**পেট্রোলিয়মঃ** লৈবাক অসিদা পেট্রোলিয়মগী পোত্থোকশিং নিংথিনা ফংহন্নবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলি। নোংচুপ এসিয়াদা ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা মন্ত্রিশিংগী মীফমদা শরুক য়ারদুনা পেট্রোলিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি সুজাতা শর্মনা হায়-লৈবাক অসিদা হৌজিক চাকথোং গ্যাস এল.পি.জি পুথোকপগী চাং হান্না লৈরম্বা চাংদগী হেনগৎতুনা নোংমদা তন লিশিং ৫০-৫০ হেনগৎহনবা ঙম্লে। মহাকা হায়-হৌখিবা নুমিৎ মরিনি রোম অসিদা এল.পি.জি সিলিন্দর য়েন্থোকপগী চাং শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে। ও.টি.পিদা য়ুমফম ওইরগা এল.পি.জি সিলিন্দর য়েন্থোকপগী চাং চাদা ৯৫ য়ৌরে। থা অসিখক্তদা কম্মর্সিয়েল এল.পি.জি য়েন্থোকপগী চাং নিংথিনা হেনগৎতুনা সিলিন্দর লাক্ষ ১ লিশিং ৫৬ য়েন্থোকপা ঙমখ্রে। চাকথোং গ্যাস ফংলরোই হায়বগী ৰাখল্লোনদা মীয়ামা কোন্নবা চাংদগী হেন্না লৈশিনবা তৌবীগনু হায়নসু মহাকা ফোঙদোকখি। কিলোগ্রাম ৫ গী সিলিন্দর য়োনবগী চাংসু শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎতুনা হৌখিবা নুমিৎ মরিনি খক্তদা সিলিন্দর লাক্ষ ১ লিশিং ৯৬ য়োনবা ঙমখি। মীয়ামা পেট্রোলিয়মগী পোত্থোকশিং ফংলোই হায়বগী মীপাইবা তৌবীগনু হায়রি।

**ক্বাদঃ** কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা সভাপতি ওইদুনা ক্বাদ ফোরেইন মিনিষ্টরশিংগী মীফম নিউ দেল্লিদা ঙসি পাঙথোক্কনি। মীফম অদুদা, ওস্ত্রেলিয়া জপান অমসুং অমেরিকাগী ফোরেইন মন্ত্রিশিং শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা, লৈবাকশিং অসিগী মরী হেন্না ফগৎহনবা অমদি ইন্দো পেসিফিক লমদমগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরক কয়ামরুম খন্নগনি। অসিগুম্বা মীফম অসি মমাঙ চহীগী জ্লাই ১ দা ৱাশিংটন দি.সিদা পাঙথোকখি। মীফম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ওস্ত্রেলিয়া, জপান অমসুং অমেরিকাগী ফোরেইন মন্ত্রিশিং নিউ দেল্লিদা ঙরাং থুংলখ্রে। অকাশবানি পাউমীনা হায়- নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা মীফম অসি য়ামা মরু ওইনা মীয়ামা লৌনরি।

**স্পোর্টসঃ** ভুবনেস্বরদা চখরিবা ৩১ শুবা সব-জ্নিয়র বোইস এন্দ গলর্স নেসনেল বেজবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৬ কীলিগ মেটচ অমদা ঙসি মণিপুরগা গুজারাটকা থেংনরগনি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য ১৯ না শরুক য়াদুনা চখরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা নোংচুপ বেঙ্গলবু রন ৭-২ দা থোইখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পুলিসকী অনৌবা গারি শিন্নখিবগী পাউ অমদি নাগানা লুচিংদুনা ইম্ফালদা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

মণিপুর পুলিসতা অনৌবা গারি ৪৭৭ শিন্নখ্রে, শান্তি পুরকবা পুলিস কনখৎহনগদবনি হায়বা চিফ মিনিষ্টরগী ৱাফম- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরা

এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- নেমচা দিপ্যুতি সি.এম ফমদগী লৌথোকউ হায়বা খোল্লাউ লাউদুনা য়েলহৌ ফুরুপ পুনশিন্দুনা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা কলর হেদলাইনগী মখাদা নুমিৎ হুমিগী মনুং চেন্নবশিং ফাগনি হায়না সি.এমনা হায়খ্রে হায়বসিনা বেনর হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মীয়ামদা শোকহনবা সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্ট লিশিং ৩,২০০ লৌথহনখ্রে হায়বা দি.জি.পি রাজিবকী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- পুখ্রম্বা কজাওদা ইকাই খুমবা উৎখিবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

এক্স গ্রেসিয়া পীবা অমসুং এন.আই.এদা শিন্নবা নত্তনা এক্সন লৌখৎপা ঙমদবা বি.জে.পিগী লানদা মীয়ামা থুবীগনু হায়বা কংগ্রেসকী তিলোতমাগী ৱাফম-হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- অমিত শাহনা বোর্দরদা চত্তুনা সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংশিনগদৌরি, মণিপুরদা লাক্কদ্রা হায়বা লৈখাই তাদ্রি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মীরেপ ওইগদবশিংদগী শেল লৌরগা চাকচা হৈজানবা খুদক্তা লেপ্পীয়ু হায়বা মায়োলগী ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

চিফ মিনিষ্টরনা মণিপুর পুলিসকী গারি ৪৭৭ ফ্লেক ওফ তৌখিবগী পাউ- মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতিগী দি.সি দরুনকুমারনা ওইরগনি, দি.সি দরুনকুমার হন্দক্তা ভারতকী ওইনা অফবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ট্রেট ১০০ খনগৎপদা য়াওখিবনি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- তামিল নাদুগী চিফ মিনিষ্টর ভিজেনা মহৈ মরোং থানবা লৌমীশিংদা লোন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- য়ু.এস অমদি ইরান লান লোইশিন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরক্কদৌরে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**---পাউ লোইজরে---**